**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

২) অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপনা ইম্ফালদা চত্থরকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

৩) মেট বিভাগনা হায়রি- খা থংবা বঙ্গলাদেশতা লো প্রেসর লৈবা মরমনা মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি।

৪) থাং-তাগী লমদা খঙ হৈরবা ওজা-গুরুশিংগা তান্নদুনা লম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি।

অমসুং

৫) কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ থৌদোক্কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সু মোটো কেস অমা লৌখৎনবা ৱারেপ লৌরে।

------

লোল (এল)ঃ মীতৈ লোল অসি মশাগী ময়েক লৈজবা অমসুং ভারতকী সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনদুনা শকখঙনরবা লোল অমনি। লোল অসিবু

ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজ ওইনসু শকখঙবীনবা হোৎনগনি হায়না রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি।

জে.এন.এ মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকপা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপুনবা লুপ (মিলাল) লিংখৎখিবগী ২২ শুবা কুমওন থৌরবদা শরুক য়ারদুনা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- সংসদতা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চন্নবা কয়ারক হন্না তকশিনখি অমদি মসি মায় পাকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মহাকা হায়- মিলালনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিদা তোখায় তোখায়না লৈরম্বা নহাশিংবু পুনশিন্নবা হোৎনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মীলালনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্নুনা মীতৈ ময়েক চাংদমবগী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদসু মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ক্রিমিনেল (এল)ঃ রাজ্যগী লো অমসুং লেজিসলেতিভ বিভাগ অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা পুন্না শিনদুনা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপনা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা চথরকপা ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা অনৌবা আইন অহুম অসিদা তেরোরিজমগা মরী লৈনবা আইনশিংদা অহোংবা লাকপা অমদি শিংনবশিং, বি.এস.এগী মখাদা লৈবা দিজিতেল ইভিদেন্সনচিংবা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি। ঙসি অরোইবা নুমিৎতা নেসনেল জ্দিসিয়েল একাদমি ভোপালগী রিছার্স ফেলো শুরতি জৈন অমসুং সি.দি.টি.আই হাইদ্রবাদকী দাইরেক্তর রাজসেখরা এননা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা আইনগী লমদা থবক তৌরিবা অমসুং পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী মীওই ৪০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

হন্দক্তা নৌনা চৎনবা হৌখিবা ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা অমদি ভারতিয়া সক্সিয়া অধিনিয়মগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না মমুৎ তানা খঙন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

সিএম (এল)ঃ  নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোস লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসি নীংতমবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবতা নত্তনা মতমদুগী বৃটিশ সাসনগী মায়োক্তা লান্থেংননবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই.এন.এ) লিংখৎখিবা লুচিংবা অমনি। আই.এন.এ অসি মণিপুরগী ইতিহাসতা অখন্নবা মফম অমা কল্লি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা ইং কুমজা ১৯৪৪ দা অহানবা ওইনা ভারতকী লৈমায়দা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি। মীয়ামা লুচিংবা অসিবু নীংশিংবা মতমদা লৈবাক অসিবু নীংখা তমবা লৌখিবা থৌদাং ময়াম নৌহৌননা নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ।

ফোরম (এল)ঃ  কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা আর.কে. সিতলজিৎ সিংহগী ১১২ শুবা মপোক কুমওন ঙসি ইম্ফালগী দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রিটয়ার্দ প্রোফেসার হুইরেম বিহারি, কলচরেল ফোরম মণিপুরগী পসিদেন্ট প্রোফেসার কোইজম শান্তিবালা দেবী, মণিপুর লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর প্রোফেসার রাজেন তোইজাম্বনচিংবা শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তনা চুখিগনি হায়রি। সেন্তর অসিগী চেরোল অমনা হায়- খা থংবা বঙ্গলাদেশ অমসুং মসিগা লোন্না মফমশিংদা লো প্রেসর লৈবা মরমনা মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি।

চেরোল অদুনা হায়- নোং কা হেন্না তাদুনা উবগী চাং ৱাৎলকপা য়াই, মফম কয়াদা চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াই।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেট বিভাগকী পাউ মতুংইন্না লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুগনি। খা থংবা বঙ্গলাদেশতা লো প্রেসর লৈরিবা অসি অৱাং, অৱাং-নোংচুপলোমদা তপা তপা চংশিল্লক্কুনা বঙ্গলাদেশ অমসুং গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লো প্রেসর ফোর্ম তৌদুনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল, উরিষা, ঝারখন্দ, বিহার, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুরগনি। মেট বিভাগনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা কেরলা, তামিলনাদু অমসুং লক্ষদ্বিপকী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুগনি।

একাদমি (এল)ঃ থাং-তাগী লমদা হান্না নৈনখিবা কয়া লৈরবসু মশান্না অসিদা খণ্ড হৈরবা ওজা-গুরুশিংগা তান্নদুনা নৌনা মখা তানা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি।

ৱাফম অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোদতা লৈবা রুপমহল থিয়েটরতা থা অসিগী ২০ ফাওবা চথুগদবা থাং-তা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম শ্রী জোয়না ফোংদোকখিবনি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা হুইয়েন লাল্লোং মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুং অমসুং পাখংবা হুইয়েন লাল্লোং শিন্দমশঙগী শান্নরোইশিংনা থাং-তাগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং উৎখি।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী ঐচ.এ. ৱুংমৈখানবু নোর্থ ইষ্ট জোনেল কলচরেল সেন্তরনা চহি অসিগী য়ং টেলেন্টেদ আর্টিষ্ট এৱার্দ ২০২৪ পীননবা খল্লকপদা হুনফুন কতমনাউলোংনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। ৱুংমৈখান ৱুদ ক্রভিংগী লমদা খুৎ শা হৈবগী স্কল্পচরগী কেটাগোরিদা মনা অসি পীরকপনি।

পনবা য়াই, কলচর মন্ত্রালয়না নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিংদা পীবা এৱার্দ পীনবগীদমক খল্লকপদা মণিপুরদগী নুপী আর্টিষ্ট অহুম- মণিপুরী ফোল্ক সোংদা

থোকচোম লনসনা চনু, মণিপুর ক্লাসিকেল ডান্সতা হঞ্জবম লোইজিং দেবী অমসুং পেন্টিংদা নমৈরাকপম এপ্রিলাসু য়াওরকপনি।

নোনে (এল)ঃ রোংমৈ নাগা কাউন্সিল তাইফে লুংব্রিয়ান্না কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী চীংখোঙদা লৈরিবা নাগা ফুরুপগী অপিকপা খুলশিংবু নোনে জিলাগী মনুংদা চলহনবীয়ু হায়বা ৱাকৎকী মতাংদা নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী, তোংজৈ মরীল অমসুং লৈমাতাক-লোক্তাক প্রোজেক্ট রোদশিং মতম কক্তুনা থিংজিনবা খাঙজং ঙসি অহিং নোংয়াদগী চংশিল্লগনি হায়রি। ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংদি খোঙজং অসিনা কোনশিল্লোই হায়না লুপ অসিনা থোকপা চরোল অমনা হায়রি।

ডে (এল)ঃ কেলাইদোসকোপিক আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী ১৪ রক শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মৈস্নাম নোংথোম্বম লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিয়েসন অসিনা নৌনা পুথোকপা ক্লাসিকেল মণিপুরী জগোই অনিসুবা মীয়ামদা উৎখি।

হোম গার্দ (এল)ঃ সুপ্রিম কোর্টতা কেবেট পিটিসন থানবগীদমক হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী লিষ্ট থাগৎনবা থা অসিগী ২৬
ফাওবদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা মশা মশাগী মীং পীশিল্লকবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা হায়রি।

নোনে (এল)ঃ নোনেগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, এম.এস.পি.দি.সি.এল অমসুং এম.এস.পি.সি.এল অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেগী অপুনবা মীফম অমা ঙসি লোংমাই বজার বোর্দ ওফিসতা পাঙথোক্তুনা জিলা অসিদা মৈ তোইনা মুৎলিবা অসিগী মতাংদা য়ান্নবা অমা পুরকখ্রে। মীফম অদুদা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখিবগা লোয়ননা য়ুরেম্বমদগী নোনে সবষ্টেসন ফাওবা চৎলিবা থার্তিথ্রি কে.ভি. লাইন অপগ্রেদ তৌবা, নোনেগী ওইনা

তোঙানবা এলেভেন কে.ভি ফিদর থম্বা, সবষ্টেসন নোনেদা লৈরিবা কন্ট্রোল রুমদা অহেনবা ষ্টাফ থম্বীনবা ৱাফমশিং য়াওরি।

তমেংলোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট তমেংলোং ঙসি শঙ্গাগনি হায়না তৌরম্বদু টাউন চর্চেস য়ুনিয়ন, জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল, ভিলেজ ওথোরিতি চেয়ারমেন কাউন্সিল তমেংলোং অমদি চেয়ারমেন অমসুং সেক্রেটরি এসোসিয়েসন তমেংলোংনা দিপ্যুতি কম্মিসনার উন্নরবা মতুং কোর্ট অসি শাবা লোইদ্রিবা ফাওবা শঙ্গাবীদনবা হায়জখ্রে।

চেয়ারমেন অমসুং সেক্রেটরি এসোসিয়েসন তমেংলোংগী প্রসিদেন্ট আজয় গাংমৈনা হায়- চীফ জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট কোর্ট কমপ্লেক্স তমেংলোং শাবা লোইদনা শঙ্গানবা হোৎনবা অসি লাইৎবক থীবনি। মফম অদু য়েংশিনবা চৎপদা কাশিং অদু নোং য়ুবা অমদি মতিক চাবা দ্রেনেজশিং লৈরমদবা থেংনখি।

বেঙ্গলোর (এল)ঃ মণিপুর মৈতৈ এসোসিয়েসন বেঙ্গলোরনা শিন্দুনা ১১৩ শুবা পেট্রিওটস ডে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফিল্ডস ওফ হোপ হায়না মীংথোনবা ফুটবোল ইভেন্ট অমসু পাঙথোকখি।

উ (এল)ঃ পুন্না হিংমিন্নবা মরুপ ৱাইতোন্না লেপ্তুনা নোংমাইজিং ১০ ড চারা থাবগী থৌরম পাঙথোরক্লি। ঙসিসু ৮ লক শুবা ওইনা এম.পি.টি.সি গেটতগী ৱাইতোন গেট ফাওবা উ চারা কয়া থাখি। উ চারা কয়া থাবগী থবক অসিবু শকখঙবীদুনা দি.এফ.ও. সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না সার্তিফিকেট অমসুং মেমেন্টোসু লুপ অসিদা শিন্নখি।

চীং কনশি, উমং কনশি হায়বসিগী শরুক অমা ওইনা মিনুথোং হত্তা গোলাপতি এথলেতিক য়ুনিয়ন অমদি য়ুনাইতেদ দ্রাইভ এগেনষ্ট এন্তি সোসিয়েল এন্দ ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টস অনিনা খুৎশমদুনা ঙসি হত্তা মনা ইংখোল পরিংদা উ চারাশিং থাখ্রে।

এম.এস.আর.এল.এম, ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট যুনিতনসু জিরিবামগী অগলাপুর প্রাইমারি স্কুলগী কেম্পেসতা এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা উ চারাশিং থাখ্রে।

কোলকাতা ঃ কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ থৌদোক্কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সু মোটো কেস অমা লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে। চীফ জষ্টিস দি.ৱাই. চন্দ্রচুর, জষ্টিস জে.বি. পরদিৱালা অমসুং মনোজ মিশ্রানা শাবা বেঞ্চ অমনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেস অসিগী মতাংদা খন্নরগনি।

অমরোমদা, ৱাথোক অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা খুৎ থিংজিনবীনবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ)না চিঠি ইদুনা হায়জখ্রে। চিঠি অদুদা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা চখ্থরকপা হিংশাগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী ওইবা আইন অমা শেম্বীনবসু হায়জখি। চেরোল অদুদা আহ.এম.এনা হায়- হোস্পিতাল খুদিংমক্তা সেক্যুরিতিগী চৎন কাংলোন অসি এয়ারপোর্টশিংদা তৌরিবা অদুগুমা তৌহনবীনবা হায়জখি। মসিগী মথক্তা হোস্পিতালশিংবু অশোই অঙাম থোক্তবা মফম অমনি হায়না লাউথোকবসু দাবী তৌরি। মেদিকেল কলেজ অসিদা থোকখিবা ৱাথোক অসি অপীবা মতমগী মতুংইন্না থিজিনদুনা চপ চাবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবসু তকশিল্লি।

মরক অসিদা, সি.বি.আইনা থৌদোক অসিদা মরুওইনা চেন্নবনি হায়বা শঞ্জয় রোইবু সাইকোলোজিকেল এসেসমেন্ট চথ্থরগনি হায়রি। মসিগীদমক সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি, দিল্লিদগী মীওই কাংবু অমা কোলকাতাদা থুংখ্রে। অমরোমদা, কলেজ অসিগী হান্নগী প্রিন্সিপাল ডাঃ সন্দিপ ঘোসপু সি.বি.আইনা ঙসি পুং কয়ামরুম চংনা ৱাহং পাউহং চখ্থখি। মহাক ঙরাংসু সি.বি.আইনা পুং কয়ামরুম ৱাহং কয়া চখ্থখিবনি।

কোলকাতা পুলিসনা আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালগী অকোইবদা ভারতিয়া নাগরিক শুরক্সা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৭ নি অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা

অসি লৈরিঙৈদা মফম অসিদা মী মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা য়ারোই। থা অসিগী ১৪ গী লোন্নবা অহিংদা কলেজ অসিদা য়ৈখায় থিনগাইবা থোকহল্লম্বগা মরী লৈননা পুলিসনা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লুচিংবা অনি বেহলাদগী ফাগৎলে।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- সিতিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা কনাগুম্বা ধর্ম্ম অমগী সিতিজন্সিপ ওইবগী হক অদু মৎপগী ৱাফম লৈতে। মহাকা হায়- এক্ট অসিনা ভারত্তা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা ইকায় খুমবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবতা নত্তনা মখোয়বু লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী খুদোংচাবা পীরি।

গুজরাতকী অহমেদবাদতা মীওই ১৮৮ দা সিতিজন্সিপ সার্তিফিকেট পীবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা সিতিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মমাংদা পাল্লম্বা কংগ্রেস সরকারনা মপানদা লৈবা হিন্দু অমদি অতৈ মাইনোরিতিশিংবু ভোৎ বেঙ্ক অমসুং ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা য়াননবা রাজনীতি তৌরম্বনা মখোয়বু থৌশাবীদনা থম্লম্মী।

মদুগী মমাংদা মন্ত্রিনা অহমেদবাদতা লুপা কোতি লিশিং ১ চংনা পায়খৎপা অহমেদবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং শঙ্গাখি। তুংদা সবরমতিদা পাঙথোকপা দলগী কর্ম্মিশিংগী ওইবা মীফমদা ৱা ঙাংখি।

এক্সিদেন্ট ঃ উত্তর প্রদেশকী বুলন্দসহরদা রক্সা বন্ধন য়াওন্নবা চৎপা মীওইশিংনা তোংলকপা বস অমগা পোৎ চৈ পুবা মিনি ভেন অমগা থেংজিন্নবদা বস অদুদা তোংলকপা শিন্মী ১০ শিরে, অতোপ্পা মীওই ৩৭ অমনা অশোক অপন নংলে। অশোকপশিং অদু মিরট মেদিকেল হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই মরিগী ফিভম লুনা লৈরি হায়রি। থৌদোক অসি উত্তর প্রদেশকী বদাউন-মিরট ষ্টেট হাইৱেদা থোকখিবনি।

উরিষা ঃ উরিষাদা হৌখিবা পুং ২৪ দা উরিষাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বজ্র তাবদগী মীওই ৯ লৈখিদ্রে, ২০ অমনা অশোক অপন নংলে। উরিষাগী ময়ুরভন্সতা চহি নৌরিবা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অনি লৈখিদে। ভদ্রক জিলাদা বজ্র তাবদা মীওই অনি অমসুং ধেনকনাল, জজপুর, কেন্দ্রপারা কটক অমদি গনজম জিলাদা মীওই অমমম লৈখিদে।

ফসাইঃ ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই)না চানবা চীঞ্জাক্তা মাইক্রো প্লাষ্টিকশিং য়ানশিনবনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লক্কদবশিং অদু থিংনবা প্রোজেক্ট অমা ঙসিদগী দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। ফসাইনা হায়-প্রোজেক্ট অসিনা চীঞ্জাক্তা মাইক্রো অমসুং নেনো প্লাষ্টিকশিং য়াওবগী চাং ওনবগী ষ্টেন্দর্দ অমা শেম্গ, তোঙান তোঙানবা লেবোরেটরিশিংদা মখোয়গী রিপোর্টশিং পীথোক পীশিন তৌবা কঞ্জুমরশিংদা মাইক্রো প্লাষ্টিকশিং এৱারনেস পীবা ঙমগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ মণিপুর, চহি অসিগী জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল চংলে।

ঙসি অন্ত্র প্রদেশকী রুরেল দিভলপমেন্ট ত্রষ্ট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লোংজম নিরা চনুনা ৭৯ শুবা মিনিত্তা চনখিবনি। মণিপুরগা ঝারখন্দগা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

অমরোমদা, নেপালদা চত্থরিবা অন্দর ত্বেন্তি ফুটবোল তুরনামেন্টকী গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা হান্নগী চেম্পিয়ন ভারতকা ভুতানগা হয়েং কাঠমন্দুগী দসরত রঙ্গসালা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। ভারতকী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোই ১০ য়াওরি অমসুং হাওবম রিকি মীতৈনা টিমগী কেপ্তেন ওইরি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা হৌজিক চত্থরিবা ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি মেটচতা

এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা কে.ৱাই.দব্লিউ.এ.সি ৱাবগাই কাদাজিৎপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

মরাথোন (এল)ঃ ফোর্জ রন ক্লবনা শিনবা চহি ১৪ দগী হৌরগা চহি ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমসুং নুপীগী মরাথোন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীওই ১২০ রোমনা শরুক য়াখিবা মরাথোন অদু ক্বাকৈথেল তিদিম গ্রাউন্দদগী হৌরগা কৈনৌ বজারদা লমথুংফম ওইখি।

মরাথোন অসি লমথাবগী থৌরমদা আই.জি.পি মণিপুর (এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোভিজনিং) কোনশম জয়েন্ত সিংহনা হায়- মরাথোন অসি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদি হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা শিনবনি। অসিগুম্বা লমজেল অসিনা মীওইবগী হকচাং ফবা খক নত্তনা মেন্টেল হেলথতসু কান্নবা কয়া পীরগনি।

------